**Sl. No. :**

# KET SCHOLARSHIP TEST

## ([illegible])

Knowledge Information Self-sustaining

**TEST SET: A**

**Exam Duration: 2 hours** **Date: 6th March 2011**

**Please read the following instructions carefully.**

1. No candidate is allowed to appear KET TEST examination without KET TEST card.

   Candidate অমত্তনা KET TEST card য়াওদনা পরিক্ষা থাবা য়াদে।

2. All the candidates should maintain silence during examination.

   ছাত্রশিংনা পরিক্ষা থারিবা মনুংদা লাংলোইদবনি।

3. No electronic devices (mobile, scientific calculator etc.) are allowed to use during examination.

   পরিক্ষা মনুংদা electronic device (mobile, scientific calculator অসিনচিংবা) শিং শীজিন্নবা য়াদে।

4. All the candidates should use pen for answering questions.

   পাওখুম খুন্নবগীদমক পরিক্ষা থারিবা ছাত্রশিংনা কলম খক্তা শীজিন্নগদবনি।

5. All the questions are objective type. And for each question, there are four alternative answers given. Choose the correct one. You should write your serial no. on the question paper.

   Question খুদিংমক objective ওাক্তনি। ৱাহং খুদিংগী ওইথোকপা য়াবা পাউখুম মরি পীরমগনি। Question paper দা নশা নশাগী Serial no. মফম চানা মেনশিনগদবনি।

6. The answer sheet will be supplied separately. The respective correct answer should be ticked in the square box. ☑

   Answer পীনবা তোঙান্না answer sheet পীগনি। অচুম্বা পাউখুমদু Question no. নাকলদা পীরিবা square box অদুদা tick তৌগদবনি।

7. The total number of questions is 100. Each question carries 4 marks, and 1 (one) mark will be deducted for each wrong answer.

   পুন্না question ১০০নি। অচুম্বা পাওখুম অমদা মার্ক ৪নি। অরানবা পাওখুম অমদনা মার্ক ১ কক্কনি।

8. There are 9 pages in the question set.

   Question set অসিগী অপুনবা page ৯ নি।

9. In case of any discrepancies the decision of KET will be final.

   করিগুম্বা চয়েৎনবা য়াওরগদী KET কী ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি।

## <u>All the best for your examination</u>

Q1. Identify the odd one:
মান্নদবা অদু খল্লু
a)Badminton b)Cricket
c)Hockey d)Baseball

Q2. Complete the series: 3, 16, 5, 36, 7, 64, 9 .....
series অসি মপুং ফাহল্লু
a) 121 b) 11
c) 100 d) 106

Q3. Select the pair that holds the same with the one given, FATHER:FTHR
পীরিবা খুদম অসিগা মান্নবা pair অদু খল্লু
a) HORSE:HORS b) SCHOOL:SCHL
c) READING:RDIN d) GARDEN:GDN

Q4. The code word for "FRUIT" is given as "IURFT". What will be the code word for "HORSE"?
"FRUIT" কী code word "IURFT" ওইরবদি "HORSE" code word করি ওইগনি?
a) OHRSE b) SHORE
c) SROHE d) ESROH

Q5. If X+Y means X is the daughter of Y, XxY means X is the son of Y and X-Y means X is the wife of Y. In MxN-O which of the following statement is true?
X+Y হায়বগী অর্থ না X অসি Y গী মচানুপী, XxY গী অর্থনা X অসি Y গী মচানুপা অদুগা X-Y গী অর্থনা X অসি Y গী নুপী ওইরবদি MxN-O গা মরি লৈননা অচুম্বা অদু খল্লু
a) O is the son of M (O অসি M গী মচানুপানি)
b) N is the son of M (N অসি M গী মচানুপানি)
c) M is the wife of N (M অসি N গী নুপীনি)
d) N is the wife of O (N অসি O গী নুপীনি)

Q6. Pointing to a photograph Nikita said "She is the only grand-daughter of my grandmother's only child". How is the girl in the photograph related to Nikita?
ফোটো অমদা খুৎ থিন্দুনা Nikita না হায় "মহাক অসি ঐগী grand-mother গী অমত্তা পোকচবা অঙাঙগী অমত্তা ওইবা মশুনুপীনি"। ফোটোদা য়াওরিবা নুপীদুগা Nikita গা করি মরী লৈনৈ?
a) Sister b) Niece/daughter
c) Aunt d) Can't be determined

Q7. In the digits of no. 5726489 are arranged in ascending order, how many digits will remain at the same position?
5726489 দা য়াওরিবা মশিংশিংবু অপীকপদগী অচৌবদা মথং-মনাও নাইনা থমলবদি মশিং কয়া হান্নগী মফমদগী হোংদনা লৈগনি?
a) None b) One
c) Two d) Three

Q8.


A B C D

a) A b) B c) C d) D

Q9. 7 children are playing with the balls. If each child throws one ball at every other child, then the total number of balls thrown is
অঙাঙ ৭ খক ball শিজিন্নদুনা শান্নরম্মী। অঙাঙ খুদিংমকনা অতোপ্পা অঙাঙ খুদিংমক্তা ball অমা লংলবদি পুন্না লংবা ball গী মশিং অসি
a) 42 b) 49 c) 7 d) 14

Q10. All of Chaobi's pet are dogs except one cat and each of her dog has a cat friend. How many total pets she have?
Chaobi গী pet পুম্নমক হৌদোং অমখক নত্তনা হুই ঙাক্তনি অদুগা মহাক্কী হুই খুদিংমক্কী মমান্নবা হৌদোং অমমম্ লৈ। মহাক্কী পুন্না pet কয়া লৈবগে?
a) 4 b) 3 c) 2 d) Can't say

Q11. Identify the English meaning of the foreign word – vox populi:
a) A message
b) A personal
c) A spoken examination
d) A public opinion

Q12. Three sentences are given with a blank in each. Four words are also given. Select a word that can fit into all three sentences
i. Do you _________ any musical instrument?
ii. The team was ready to _________ in the inter-school match.
iii. Children love to __________ in the park.

a) enjoy b) compete
c) learn d) play

Q13. An idiom and possible meanings are given. Mark the most suitable one as your answer
"Read between the lines"
a) Read line to line
b) Consulted one another
c) Have insight into a situation
d) Under consideration

Q14. A sentence is written in four different forms. Find the grammatically correct sentence.
a) I will meet you if you will come tomorrow.
b) I shall meet you if you come tomorrow.
c) I shall meet you if you may come tomorrow.
d) I may meet you if you would come tomorrow.

Q15. Identify the pair which does not exhibit the same relationship as the capitalized pair:
PERMIT: FORBID
a) Ancient : Modern
b) Bright : Dull
c) Fun : Amusing
d) Enough: Scare

Q16. The meaning of the underlined word as used in the sentence is:
"The presence of <u>hawkers</u> on foot paths hinders both pedestrian and vehicular movement".
a) Buyers
b) Vendors
c) Beggars
d) Rag pickers

Q17. In this question, statements 1 and 6 are respectively the first and the last sentences of a paragraph and statements 1, 2, 3 and 4 come in between them. Rearrange 1, 2, 3 and 4 in such a way that they make a coherent paragraph together with statements i) and ii) Select the correct order from among the given choices.

i) Mosquitoes are one of the worst enemies of mankind.

1. The most important thing is to prevent their breeding.
2. They spread horrible diseases like Malaria.
3. We ourselves can do a lot to save ourselves from the attack of mosquitoes.
4. Municipalities have accepted it as their duty to destroy mosquitoes.

ii) Life will be many times pleasanter if only we can wipe out mosquitoes from the face of the Earth.

a) 2 3 4 1 b) 1 2 3 4
c) 4 2 1 3 d) 2 4 3 1

Q18. Based on the two sentences below choose the correct option
I. Yesterday I have written a letter to my friend.
II.My letter ought to have reached him this morning.
a) There is error only in first sentence.
b) There is error only in second sentence.
c) There is error in both sentences.
d) There is no error in either of sentences.

Q19. This thread is so fine that I can hardly see it. What is the appropriate meaning of "fine" in the above sentence
a) good
b) high quality
c) very thin
d) strong

Q20. Rahul won the prize …..... the best actor
a) for
b) as
c) in
d) by

Q21. Which of the following was not known to Indus Valley civilization?
Indus Valley civilization দা খংনরমদবা অদু করম্বনো?
a) Farming (লৌ-উবা)
b) Pottery making (চফু শাবা)
c) Use of gold (সনা শিজিন্নবা)
d) Use of iron (য়োৎ শিজিন্নবা)

Q22. Why did Alauddin Khilji introduce market reforms?
Alauddin Khilji না market reform হৌরকখিবগী মরম করিনো?
a) To remove mediators
(mediators শিং লৌথকনবগীদমক)
b) To maintain a large army economically
(পৈশা য়াম্না তিংদনা অচৌবা লান্মী অমা থম্নবগীদমক)
c) To ease the peasant's living
(লৌমীশিংগী পুন্সি হেন্না য়াইফহন্নবগীদমক)
d) To administer his subjects well
(মহাক্কী প্রজাশিংবু ফজনা য়েংশিন্নবগীদমক)

Q23. Which of the following is not included in the teachings of Jainism?
Jainism গী তাকপী-তম্বীবদা য়াউদবা অদু করম্বনো ?
a) Fasts and mortification of the body
(চরা হেনবা অমসুং হকচাংগী অনিং-অপাম্ববু নমথদুনা থম্বা)
b) Belief in Karma and rebirth
(কর্ম অমসুং মপোক পোকপদা থাজবা থম্বা)
c) Non-violence (অহিংশা)
d) Belief in God (ঈশ্বরবু থাজবা)

Q24. Which of the following Sultans established diplomatic relations with China?
মখাদা পীরিবা অসিদগী করম্বা নিংথৌরেলনা China গা diplomatic ওইবা মরি হৌদোকলমবগে?
a) Alauddin Khilji
b) Balban
c) Muhammad-Bin-Tughlag
d) Ibrahim Lodhi

Q25. Match List-I with List-II and select the correct answer
List-I গা List-II গা মপা চান্নহল্লু

| | |
|---|---|
| i) 1876 | 1) Foundation of the Indian National Congress |
| ii) 1885 | 2) Non Co-operation Movement |
| iii) 1920 | 3) Foundation of Indian Association |
| iv) 1931 | 4) Gandhi Irwin Pact |

a) i-3, ii-1, iii-2, iv-4
b) i-1, ii-3, iii-4, iv-2
c) i-3, ii-1, iii-4, iv-2
d) i-1, ii-3, iii-2, iv-4

Q26. Which of the following pairs is not correctly matched?
মখাদা পীরিবশিং অসিদা করম্বদা চুম্না মপা চান্নদবগে?
a) Mahatma Gandhi: Civil Disobedience Movement
b) Mrs. Annie Besant: Home Rule Movement
c) G. K. Gokhale: Extremist Movement
d) A. O. Hune: Foundation of Indian National Congress

Q27. The French Revolution came about mainly due to the:
1. Extreme poverty of the people
2. Impact of the works of great writers
3. Cruelty of the rulers
4. Impact of impulsive reaction

Which of the above statements are correct?
French Revolution হৌরকখিবগী মরুওইবা মরমশিংদিঃ
1. প্রজাশিংগী য়াম্না লৈত-লাইরবা
2. শকনাইবা অইবশিংগী থবকশিংগী ফল
3. নিংথৌরেলশিংগী ফত্তবা থৌওংশিং
4. খুদক্কী ওইবা reaction গী ফল

মথক্কী অসিদগী অচুম্বা ৱাহৈ পরেংশিং খল্লু

a) 1, 2 & 4
b) 2 & 3
c) 1, 3 & 4
d) All of above

Q28. Consider the following events:

1. American war of Independence
2. Industrial Revolution
3. French Revolution
4. Russian Revolution

The correct chronological sequence of these events is
মথক্তা পীরিবা থৌদোকশিংশিগী মথং-মনাও নাইবা মওংদি

a) 2, 1, 3, 4
b) 1, 2, 3, 4
c) 4, 2, 1, 3
d) 3, 4, 2, 1

Q29. Which of the following is not a meitei puwaris/puyas?
মখাদা পীরিবা অসিদা করম্বা মৈতৈ পুৱারি/পুয়া নত্তবগে?

a) Ningthou Kangbalon (নিংথৌ কাঙবলোন)
b) Pakhangba-Wai-Chat-Lam (পাখংবা-ৱাই-চৎ-লম)
c) Cheitharol Kumbaba (চৈথারোল কুমবাবা)
d) Panthoibi Khongul (পন্থোইবী খোঙ্গুল)

Q30. Which of the following Chinese pilgrims gives us some information about the Gupta dynasty?
মখাদা পীরিবা Chinese pilgrims শিং অসিদগী করম্বনা ঐখোয়দা Gupta dynasty গী মরমদা পাউ পীবগে?

a) Wang Hiuen Tse
b) Itsing
c) Fahien
d) Hiuen Tasang

Q31. Asteroids belt lies between
Asteroids belt করিগী মরক্তা লৈ

a) Mars and Jupiter
b) Earth and Venus
c) Jupiter and Saturn
d) None of these

Q32. Match the following :
মপা চান্নহল্লু

| | |
|---|---|
| i) Winter Solstice | 1) 21st March |
| ii) Autumn Equinox | 2) 21st June |
| iii) Summer Solstice | 3) 23rd September |
| iv) Vernal Equinox | 4) 22nd December |

a) i – 1, ii – 2, iii – 3, iv – 4
b) i – 1, ii – 3, iii – 4, iv – 2
c) i – 4, ii – 3, iii – 2, iv – 1
d) i – 2, ii – 3, iii – 1, iv – 4

Q33. Manipur extends between:
Manipur কদাইদগী কদাইফাওবা শন্দোকই

a) 93° E and 94.78° E
b) 67° E and 98 ½° E
c) 65° and 90 ½° E
d) None of these

Q34. "Pampas" region is found in
"Pampas" region অসি কদাইদা ফংই

a) Africa　　b) Australia
c) North America　　d) South America

Q35. Black Soil is suitable for cultivation of
Black Soil অসি করি থাবগীদমক চুনৈ

a) Coffee　　b) Tea
c) Poppy　　d) Cotton

Q36. The following items consists of two statements. One labeled as "Assertion (A)" and the other labeled as "Reason (R)". You are to examine these two statements carefully and decide if the "Assertion A)" and the "Reason (R)" are individually true and if so whether the reason is a correct explanation of the assertion.
Assertion (A) : Cotton is grown in alluvial soil
Reason (R) : Alluvial soil is very fertile.
মখাদা পীরিবা অসিদা ৱাহৈ পরেং অনি য়াওই। অমনা "Assertion (A)" হায়না থাই অদুগা অমনা "Reason (R)" হায়না থাই। ৱাহৈ পরেং অনিমকপু চেকশিন্না য়েংলগা "Assertion (A)" অমসুং "Reason (R)" অনিমক চুম্ব্র অদুগা চুমলবদি Reason অসি Assertion গী অচুম্বা মরমলা হাইয়ু
Assertion (A) : লশিং অসি অল্লুভিয়েল soil দা থাই।
Reason (R) : অল্লুভিয়েল soil অসি য়াম্না লৈহাউ চেল্লি।

a) Both A and R are true and R is the correct explanation of A
(A অমসুং R অনিমক চুম্মী অদুগা A অসি R গী অচুম্বা মরমনি)
b) Both A and R are true but R is not a correct explanation of A
(A অমসুং R অনিমক চুম্মী তৌইমসুং A অসি R গী অচুম্বা মরম নত্তে)
c) A is true but R is false
(A অসি চুম্মী অদুবু R অসি লাল্লী)
d) A is false but R is true
(A অসি লাল্লী অদুবু R অসি চুম্মী)

Q37. Consider the following statements:

1. Igneous rocks are classified into Extrusive and Intrusive rocks
2. Sedimentary rocks are also called Primary rocks
3. Marble is an example of Metamorphic rocks
4. Coal is a sedimentary rock

Which the above statement(s) are/is correct?
পীরিবা ৱাহৈ পরেংশিং অসি য়েংউ

1. Igneous rocks শিংবু Extrusive অমসুং Intrusive rocks হায়না খাইদোকই।
2. Sedimentary rocks শিংবু Primary rocks হায়নসু কৌনৈ।
3. Marble অসি Metamorphic rocks কী খুদম অমনি।
4. Coal অসি sedimentary rock নি।

মথক্কী অসিদা করম্বা ৱাহৈ পরেং/ ৱাহৈ পরেংশিং চুম্বগে?

a) 1 only
b) 2 & 3
c) 1,3 & 4
d) 2 & 4

Q38. Which of the following pairs of continents and deserts is correctly matched?
মখাদা পীরিবা continent শিং অমসুং desert শিংশি চুম্না মপা চান্নবগে?

1. Africa – Kalahari
2. South America – Atacama
3. North America – Mohave

a) 2 & 3　　b) 1 & 3
c) 1 & 2　　d) 1, 2 & 3

Q39. Which is the highest peak in Manipur?
Manipur গী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং অদু করম্বনো?
a) Mt. Iso
b) Surameti (chinganguba) peak
c) Mt. Koubru peak
d) Khayang peak

Q40. Which of the following is not planetary wind
মখাদা পীরিবা অসিদা planetary wind নত্তবা অদু হাইয়ু?
a) Trade winds
b) The westerlies
c) Polar winds
d) The monsoon winds

Q41. The period between the infection and the appearance of the first symptoms is called
infection তৌরবা মতুং অমস্থং অহানবা symptoms উখোকলকপগী মরক্কী মতমসি করি কৌই
a) Incubation period
b) Infection period
c) Symptom period
d) Disease period

Q42. We can observe the red color in ripe tomato in our kitchen garden. It is due to the presence of
ঐখোয়না অমুনবা খামেন অশিনবদা অঙাঙবা মচু উবা ফংই। মসি করি য়াউবগীনো
a) Carotenoid pigments
b) Chlorophyll
c) Chloroplasts
d) None of the above

Q43. Strike out the wrong statement
অরানবা অদু খন্দোকউ
a) Nucleus is the brain of a cell.
( Nucleus অসি cell অমগী brain নি।)
b) Bacteria does not have true nucleus.
( Bacteria শিংদা অশেংবা nucleus য়াওদে।)
c) Both the plant and animal cells have chloroplast.
(উ-ৱা অমস্থং শা-ঙা অনিমক্কী cell শিংদা chloroplast য়াওই।)
d) The best way to prevent HIV infection is only precaution and self-restraint
(HIV infection দগী ঙাকথোকনবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বেদি চেকশিন থৌরাং লৌবা অমদি ইশান ইশাবু ফাথজবনি)

Q44. Which of the following disease cannot be control by vaccination?
Vaccination না লাকশিনবা ঙমদবা লায়না অদু করম্বনো?
a) Polio
b) Hepatitis
c) Diphtheria
d) Malaria

Q45. Organic farming is
a) Which avoid the use of synthetic inorganic fertilizers,pesticides etc.
(synthetic inorganic হার, তিনহিদাকনচিংবা শিজিন্নদবা)
b) Have greater demand for food produced through it all over the world.
(পৃথিবী পুম্বদা মসিগী মওংদা পুথোকপা চান-থকনবশিংগী দরকার ওইবা হেনগৎহনবা)
c) This reduces many health problems.
(মসিনা হকচাংগী ওইবা problem কয়মরুম হন্থহল্লি।)
d) All the above

Q46. Oviparous animals are the animals which
Oviparous animal শিং অসি করম্বনো
a) Give birth to young ones
(মচা পোকপশিং)
b) Can change the color of skin
(skin গী মচু ওনবা ঙম্বশিং)
c) Can jump & swim
(চোংবা অমস্থং ইরোইবা ঙম্বশিং)
d) Lay eggs
(মরুম কোকপশিং)

Q47. Units of inheritance present on the chromosomes is
chromosome শিংদা য়াওবা inheritance কী unit অদু করিনো
a) Cells b) Nucleolus
c) Plastids d) Genes

Q48. Migrating birds fly to far away areas every year during a particular time. Why do you think so?
Migrating উচেকশিংনা চহি খুদিংগী অককনবা মতমদা অরাপ্প মফমদা পাইদুনা চৎলি। মসি করিগীনী হায়না খনবগে?
a) Shortage of food
(চান-থকনবা ৱাৎলকপগী)
b) Competition among them
(মখোয়গী মরক্তা competition তৌবগী)
c) Want to visit new places
(অনৌবা মফমশিং য়েংবা পাম্বগী)
d) Because of climatic changes
(ঈশিং-নুংশিৎকী অহোংবা লাকপগী)

Q49. Carrier of dengue causing virus is
dengue থোকহনবা virus কী carrier করম্বনো
a) Female anopheles mosquito
b) Male anopheles mosquito
c) Female aedes mosquito
d) Male aedes mosquito

Q50. Which is not a rabi crops from the following?
মখাদা পীরিবা অসিদা rabi crop নত্তবা করম্বনো?
a) Wheat (গেহু)
b) Gram (চনা)
c) Mustard (হঙ্গাম)
d) Maize (চুজাক)

Q51. Calcium Oxide is also known as
Calcium Oxide পু করি ওইনম্থ খঙনবগে
a) Slaked lime
b) quick lime
c) lime water
d) Calamine Solution

Q52. Which of the following is not the by product of the reaction ( HCl + NaOH)
পীরিবশিং অসিদা reaction ( HCl + NaOH) গী by product নত্তবা অদু করম্বনো
a) a Salt
b) Water
c) Heat
d) Acid

Q53. What is Color of copper Sulphate solution ?
copper Sulphate solution গী মচু করিনো?
a) Blue b) Green
c) Brown d) Red

Q54. Vinegar's Chemical Name is
Vinegar গী Chemical Name করিনো
a) Sodium Hydrocarbonate
b) Acetic acid
c) Magnesium Hydroxide
d) Calcium Carbonate

Q55. Galvanisation is the process of depositing a layer of
করম্ব ধাতুগী মথক্তা করম্বা ধাতু তৈববু Galvanisation কৌবগে
a) zinc on iron (য়োৎ তা জিঙ্ক)
b) iron on copper (কোপ্পর দা য়োৎ)
c) iron on chromium (ক্রোমিয়ম দা য়োৎ)
d) zinc on copper (কোপ্পর দা জিঙ্ক)

Q56. The gas we use in the kitchen is called liquefied petroleum gas (LPG). In the cylinder it exist as a liquid. when it comes out from the cylinder it becomes gas (change-A) then it burns (Change-B). The following statements pertains to these changes. Chose the correct one—
ঐখোয়গী চাকখুমদা শিজিন্নরিবা গ্যাশ অসি liquefied petroleum gas (LPG) কৌই। cylinder দা মসি মহি ওইনা য়াওই। cylinder দগী থোরকলগা গ্যাশ ওইরকই (change-A) অদুগা মৈ চাকই (Change-B)। মসিগী অহোঙবশিংশিগা মরী লৈননা মখাদা পীরিবা অসিদগী অচুম্বা অদু খল্লু
a) Change-A is a chemical change
( Change-A অসি chemical change নি)
b) Change-B is a chemical change
( Change-B অসি chemical change নি)
c) Both changes A and B are chemical changes
(Change-A অমসুং Change-B অনিমক chemical change নি)
d) None of these is a chemical change
(অনিমক chemical change নত্তে)

Q57. Which of the following is not a synthetic fiber ?
মখাদা পীরিবশিং অসিদা করম্বসি synthetic fiber নত্তবগে?
a) Nylon
b) Rayon
c) Cotton
d) Polyester

Q58. Which of the following can be beaten into thin sheets ?
মখাদা পীরিবশিং অসিদা করম্ববু অপাবা sheet ওইনা ফুদোকপা য়াবগে?
a) zinc
b) phosphorus
c) sulphur
d) Oxygen

Q59. Fill in the blank using one of the options given :
পীরিবা option শিং অসিদগী অমা শিজিন্নদুনা অহাংবা অসি মেনশিল্লু
$CuSO_4$ + Zn ------> $ZnSO_4$ + .........

a) ZnO
b) Cu
c) CuO
d) $H_2O$

Q60. What is the full form of CNG?
CNG গী অশাংবা মমিং করিনো?
a) Carbon Nitrogen Gas
b) Coal Natural Gas
c) Combustible Nitrogen Gas
d) Compressed Natural Gas

Q61. The force of friction always acts on all the moving objects and its direction is always .............. to the direction of motion
Friction গী force হায়বসি লেংলিবা object খুদিংমক্তা থোকই অমসুং friction গী মাইকৈগা পোৎশক অদুগী লেংবগী মাইকৈগা মতম পুন্নমক্তা _____
a) similar
b) from all direction
c) opposite
d) perpendicular

Q62. When we press bulb of a dropper with its nozzle kept in water, air in the dropper is seen to escape in the form of bubbles. Once we release the pressure on the bulbs, water gets filled in the dropper. The rise of water in the dropper is due to :
ঐখোয়না ঈশিংদা লুপ্লগা থম্বা dropper অমগী মবুক অদু মেৎশিনবা মতমদা নুংশিৎ থোক্লকপগী কোংবোল কারকপা থেংনৈ। অদুগা নমশিল্লিবদু থাদোকপা মতমদা dropper দুদা ঈশিং চংলকই। ঈশিং চিংখৎলকপগী থৌওং অসি করিনা থোকহনবগে
a) pressure of water (ঈশিংগী pressure)
b) gravity of earth (পৃথিবিগী gravity)
c) shape of rubber bulb (rubber bulb গী shape)
d) atmospheric pressure (atmosphere গী pressure)

Q63. Sound can travel through
খোজেলনা করম-করম্বা medium দা চৎপা ঙম্বগে
a) gases only
b) solids only
c) liquids only
d) solids, liquids & gases

Q64. A tester is used to check the conduction of electricity through two liquids labeled A and B. It is found that the bulb of the tester glows brightly for liquid A while it glows very dimly for liquid B. You conclude that
A অমসুং B থাবা মহি অনিগী ইলেক্ট্রিসিটিগী conduction য়েংনবগীদমক tester অমা শিজিন্নৈ। মহি A দা tester গী bulb অদু য়াম্না ঙাল্লি অদুগা মহি B দনা bulb অদু খিৎতঙখক্ত ঙাল্লি। মসিদগী খংবা ঙমই মদুদি
a) liquid A is a better conductor then liquid B
(মহি A অসি মহি B দগী হেন্ন ফবা conductor নি।)
b) liquid B is better conductor than liquid A
(মহি B অসি মহি A দগী হেন্ন ফবা conductor নি।)
c) both liquids are equally conducting
(মহি অনিমক্কী conduction চপ মান্নৈ।)
d) Conducting properties of liquid can not be compared in this manner
(মহিশিংশিগী conduction অসুম্না খংবা ঙমলোই।)

Q65. Image formed by a plane mirror is
Plane mirror অমদা তারিবা মমি অসি
a) Virtual, behind the mirror and enlarged
(virtual ওই, mirror গী মনিংদা লৈ অমসুং চাউথোকই)
b) Virtual, behind the mirror and of the same size as the object.
(virtual ওই, mirror গী মনিংদা লৈ অমসুং পোৎতুগা চাউবা মান্নৈ)
c) real , behind the mirror and enlarged
(real ওই, mirror গী মনিংদা লৈ অমসুং চাউথোকই)
d) real, behind the mirror and of the same size as the object
(real ওই, mirror গী মনিংদা লৈ অমসুং পোৎতুগা চাউবা মান্নৈ)

Q66. When a glass rod is rubbed with a piece of silk cloth
Glass কী rod অমগা silk কী অকংবা ফি অমগা তকনবা মতমদা ___
a) the rod and the cloth both acquire positive charges
(rod অমসুং ফি অনিমক্তা positive charge য়াউরকই)
b) the rod becomes positively charged while the cloth has a negative charge.
(rod অদু positive charge অদুগা ফি অদুদা negative charge য়াউরকই)
c) the rod and the cloth both acquire negative charge
(rod অমসুং ফি অনিমক্তা negative charge য়াউরকই)
d) the rod becomes negatively charged while the cloth has a positive charge.
(rod অদু negative charge অদুগা ফি অদুদা positive charge য়াউরকই)

Q67. When is angle of incidence is equal to the angle of reflection of light.
Light কী angle of incidence গা angle of reflection গা করম্বা মতমদা মান্নে
a) always (মতমচুপ্পদা)
b) sometimes (করিগুম্বকান্দা)
c) never (কৈদৌনুংদা মান্নদে)
d) Under Special conditions (অককনবা condition দা)

Q68. Which of the following is not a member of the solar system ?
Solar system গী মনুং চন্দবা অদু করম্বনো?
a) An asteroid
b) A satellite
c) A constellation
d) A Comet

Q69. Period of revolution of Mercury around the sun is
Mercury না নুমিৎকী অকোইবদা চৎপদা মতম কয়াম চংই।
a) 88 days b) 50 days
c) 225 days d) 12 years

Q70. The loudness of sound is expressed in a unit called .............
খোজেংলগী হৌবগী চাং অসি করম্বা খুজিংদা ওল্লি?
a) Hertz b) Decibel
c) Pitch d) Watt

Q71. `a' is a given real number. Choose the most appropriate statement.
'a' সি অপীবা real number অমনি। ইহেন হেন্না চুনবা অমা খল্লু
a) $\frac{1}{a}$ is always less than 1.
($\frac{1}{a}$ সি মতম চুপ্পদা 1 দগী পিকই)
b) $\frac{1}{a}$ is always greater than 1.
($\frac{1}{a}$ সি মতম চুপ্পদা 1 দগী চাউই)
c) $a^2$ is not always greater than 'a'.
($a^2$ সি মতম চুপ্পদা 'a' দগী চাউদে)
d) $a^2 = a$ only when 'a' is 1.
('a' না 1 ওইরবদতা $a^2 = a$ ওইগনি)

Q72. Find the area of the shaded region.
মচু শঙজিল্লিবা জগাশিগী পাক্-চাওবা পুথোকউ




a) $(3/2)a^2$ b) $3a^2$
c) $5/4)a^2$ d) $5a^2$

Q73. If $x^n(1/y)^n - y^n(1/x)^n=n$, then find the value of $x^{2n}/y^{2n} + y^{2n}/x^{2n}$
$x^n(1/y)^n - y^n(1/x)^n=n$ ওইরবদি $x^{2n}/y^{2n} + y^{2n}/x^{2n}$ গী value পুথোকউ
a) $n^2+2$ b) $n^2-2$
c) $2n+2$ d) $2n-2$

Q74. In the previous month, a cement shopkeeper sold 1000 bags of Ambuja cement with a loss of 10%. In the next month, he wants to recover the loss and procure only 800 bags. What is the selling price at which the shopkeeper has to sell in a bag in order to just recover the loss. The CP remains same as Rs. 500/bag.
হৌখিবা থাদা cement য়োনবা দুকানদার অমনা Ambuja cement bag ১০০০ য়োনবদা ১০% মাঙই। মথঙ ওনলকপা থাদা মহাকনা মাঙখ্রিবা শেনফমদু মহুৎ হনজিলহনবা পামলম্মী অমদি bag ৮০০ দমক লৌশিল্লম্মী। মাঙখ্রিবা শেনফমদু হনজিনহন্নবগীদমক bag অমদা কয়াদা য়োনগনি। bag অমগী CP লুঃ৫০০ দা লেংদনা লৈ।
a) Rs 512.50/bag b) Rs 562.50/bag
c) Rs 512.00/bag d) Rs 562.00/bag

Q75. If a + b = 4 and $a^2 - b^2=8$, then a – b = ?
a) 2 b) $2\sqrt{2}$ c) 3 d) $3\sqrt{2}$

Q76. In the previous session, there are 60 students in a class with an average age of 20 years. In the current session, there are only 50 students in the class. The students are separated into two groups one with 30 students and another with 20 students. If, the average age of the group with 30 students is 21 years in the present session then the average age of the other group with 20 Students is
হৌখিবা session দা class অমদা চাংচৎতা চহি ২০ ওইদুনা ছাত্র ৬০ লৈ। ওল্লকপা session দা ছাত্র ৫০ তমক লৈরে। ছাত্রশিং অদু কাঙলুপ অনি থোকনা খাইদোকলে, কঙলুপ অমনা ছাত্র ৩০ নি অদুগা অতোপ্প অমদনা ছাত্র ২০ নি। ছাত্র ৩০ লৈবা কাঙলুপতুগী চহিগী চাংচৎ ২১ ওইরবদি অতোপ্পা কাঙলুপ ছাত্র ২০ লৈবদুগী চাংচৎ শি
a) 20 yrs. b) 21 yrs.
c) 18 yrs 6 months d) 18 yrs.

Q77. An spherical balloon of radius, r is air pumped so that the radius becomes 2r. The volume of balloon after pumping is
Spherical balloon অমবু নুংশিৎ হানজিন্দুনা radius 'r' ওইরম্বদগী '2r' ওইরে। নুংশিৎ হানজিল্লবা মতুংদা balloon দুগী volume সি
a) Is same as earlier
b) Is doubled
c) Is 4 times
d) Is 8 times

Q78. A square field of side `a' in a stadium, is required for placing a synthetic turf along a circular strip of width 'a/8' (as shown in the figure) at the rate of Rs X per square unit. What is the total cost?
Side না `a' শাংবা square ওইবা stadium অমগী 'a/8' পাকপা circular ওইবা strip (figure দা পীরমলিবা অস্থমনা) অমবু square unit তা Rs X পীদুনা synthetic turf থাবা দরকার ওই। অপুনবা চংগদবা শেনফম কয়ানো?




a) Rs $(15/64)\pi a^2X$
b) Rs $(15/16)\pi a^2X$
c) Rs $(3/8)\pi a^2X$
d) None of the above

Q79. In the given figure if $\overline{DE} \parallel \overline{AC}$, $\overline{DF} \parallel \overline{BC}$
পীরমলিবা figure শিদা $\overline{DE} \parallel \overline{AC}$, $\overline{DF} \parallel \overline{BC}$ ওইরবদি




a) BE:EC = 1:2
b) AB:AD = 3:2
c) DB:FC = AB:AC
d) All the above

Q80. If $x^3+x^2-a$ is divided by x-1 with a remainder of 1, then the value of 'a' is
If $x^3+x^2-a$ বু x-1 না য়েনবদা 1 লেমলবদি 'a' গী value সি
a) 1
b) 2
c) 3
d) 4

Q81. The 15th Census is held in 2011, when was 14th Census held last time?
১৫ স্থবা মীকোক থিবা ২০১১ দা পাঙথোক্লনি, ১৪ স্থবা মীকোক থিবা করম্বা মতমদা পাঙথোকখিবগে?
a) 2010
b) 2006
c) 2001
d) 2009

Q82. Who wrote the book "Freedom from fear"?
"Freedom from fear" হায়বা লাইরিক অদু কনানা ইখিবগে?
a) Nelson Mandela
b) Netaji Subhash Chandra Bose
c) Aung San Suu Kyi
d) Mahatma Gandhi

Q83. Which districts in Manipur are smallest in area and in population respectively?
মণিপুরগী করম্বা জিলাশিং মথংশিংনা হেন্না পীকপা অমস্থং মীশীং য়ামদবা ওইবগে?
a) Bishnupur , Chandel
b) Thoubal, Chandel
c) Thoubal, Tamenglong
d) Bishnupur, Tamenglong

Q84. What is the highest peace time gallantry award of India?
ভারতকী শান্তি লৈবা মতমগী ইহেন হেনবা থৌনা ফবগী মনা অদু করিনো?
a) Param Vir Chakra
b) Ashok chakra
c) Shourya Chakra
d) Vir chakra

Q85. Find out the incorrect statement about Commonwealth games.
Commonwealth games কী মরমদা অরানবা অদু খল্লু।
a) China is the biggest participating country
(China না শান্নবদা য়াওবা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকনি।)
b) 2010 Commonwealth games were held in New Delhi
(২০১০ গী Commonwealth games New Delhi দা পাংথোকখি)
c) It is held every four years.
(মসি চহি মরি খুদিংগী পাংথোকই।)
d) It is multi event games.
(মসি মশান্ন ময়াম অমগী games নি।)

Q86. What is the full form of AFSPA?
AFSPA গী full form করিনো?
a) Armed Forces Special Probe Act.
b) Armed Forces Super Power Act.
c) Armed Forces Super Probe Act.
d) Armed Forces Special Power Act.

Q87. What is GSLV- F06?
GSLV- F06 হায়বসি করিনো?
a) A space satellite.
b) A launch vehicle.
c) A space station
d) A light vehicle.

Q88. What causes Swine flu?
Swine flu করিনা থোকহনবগে?
a) Bacteria
b) Fungi
c) Virus
d) Worms

Q89. What is the currency and capital of China respectively?
China দা চৎনবা পৈশা অমস্থং কোন্নুং মথলশিংনা করি করিনো?
a) Yuan, Beijing
b) Yuan, Shangai
c) Yen, Beijing
d) Yen, Shangai

Q90. Keyboard is which type of device in computer?
Keyboard হায়বসি computer অমদা করম্বা মখলগী device নো?
a) Input device
b) Output device
c) Processing device
d) Storage

**Direction for Q91 to Q100:** Answer the questions as per the passage. ৱারেং অসিগী মতুংইন্না ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু|

**Passage 1:**

Scientists are calling for help and cooperation from all to combat global warming. They warned that the Earth's surface temperature which is rising further will cause the build -up of greenhouse gasses in the atmosphere. A greenhouse gas is a gas in an atmosphere that absorbs and emits radiation. The primary greenhouse gases in the Earth's atmosphere are water vapour, carbon dioxide, methane, nitrous oxide, and ozone. To make you understand this better let's take the example of a plant in your garden. What happens if you forget to water the plant? It shrivels up and dies. What happens if you water it more than it needs? It will decay and die. This is what global warming will do if not checked right away.

What can you do ?

Every individual old or young can do his bit in saving energy. Burning of fossil fuels is causing global warming. All of us use energy, and using less of it is a step forward. Think about the things you do each day that use energy. The lights in your house, TV, computer and washing machine all consume electricity.

Light: Replace bulbs with Compact Fluorescent bulb (CFL) which use lesser energy, are brighter and will help decrease your electricity bill. Switch off lights and fans when not in use.

At home: Keep computers off when not in use. Keep your refrigerator nearer to cooler areas and always make sure food is covered before you put it in. You can ask your parents to use the washing machine only when you have a full load. Take shorter hot water showers and keep tabs on leaks in pipes. Cooking using a microwave also helps you save energy.

In your garden: Plant more trees and shade your windows and walls to cool your house. Plant some low maintenance plants or those which use less water.

Source:http://www.hindu.com/yw/2010/10/12/stories/2010101250721100.htm

বৈগ্যানিকশিংনা গ্লোবেল ৱারমিং বু থেংননবগীদমক্তা মীপুম খুদিংমক্ অমগা-অমগা মতেং পাংননবা থিরি। মখোয়না পৃথিবি লৈমায়দা হেনগৎলকলিবা অশাবগী চাং অসিনা greenhouse গ্যাশ শিং atmosphere দা হেনগৎলকপগী খুদোংথিবা লৈ হায়না হায়রি। Atmosphere অমদা greenhouse গ্যাশ অমা হায়বশি মৈশা (radiation) চুপশিনবা অমস্থং থাদোকপা ঙম্বা গ্যাশ অদুবুনি। পৃথিবিগী atmosphere গী মরুওইবা greenhouse গ্যাশ শিংদি ঈশিং মনিল (water vapour), কার্বোন ডাইওক্সাইড (carbon dioxide), methane, nitrous oxide অমস্থং ওজোন(ozone) নি। মশিগী থৌওংবু হেন্না খংনবগীদমক্তা ঐখোয়না খুদম ওইনা নখোইগী লৈকোলদা হৌবা পাম্বী অমা য়েংলশি। করিগুম্বা পাম্বী অদুদা ঈশিং চাইবা কাওরবদি করি ওইরকই? পাম্বী অদু কংলকই অদুগা শিখী। অদুগা করিগুম্বা পাম্বী অদুদা মানা দরকার ওইবদগী হেন্না ঈশিং চাইশিল্লবদি করি ওইরকই? পাম্বী অদু পত্থরক্কনি অদুগা শিখিগনি। ঐখোয়না মতম চানা য়েংশিলহৌদ্রবদি অদুগুম্বা থৌওং অদুমক গ্লোবেল ৱারমিংনা তৌরক্কনি।

নখোয়না করি তৌবা ঙম্বগে?

অঙাং অহল খাক্তনা মীপুম খুদিংমক্না ঈনর্জী কন্নবগীদমক তৌবা ঙম্বা খরদি লৈ। Fossil Fuel মৈ থাবনা গ্লোবেল ৱারমিং থোকহল্লি। ঐখোয় খুদিংমক্ ঈনর্জী শিজিন্নে অদুনা চাং হন্থনা শিজিন্নবনা ঐখোয়গী অহানবা খোঙথাঙ ওইগনি। ঐখোয়না ন্নমীৎ খুদিংগী শিজিন্নবা ঈনর্জী শিংগী মরমদা হাইফেৎতং খন্দুনা য়েংশি। য়ুমদা থান্নরিবা মৈঙাল, TV, computer অমদি washing machine নচিংবা খুদিংমক ইলেক্ট্রিসিটি শিজিন্নে।

মৈঙালঃ বল্বশিংবু মৈ কা হেন্না চাদবা Compact Fluorescent bulb (CFL) না শিন্দোকউ, মখোয়না ঙানবা হেল্লি অমস্থং নখোয়গী ইলেক্ট্রিসিটিগী খজনা হন্থহনবদা মতেং ওইগনি। মৈ অমস্থং ফেননচিংবা শিজিন্নদবা মতমদা মুথৎতুনা থম্মু।

য়ুমদাঃ Computer শিং শিজিন্নদবা মতমদা মুথৎতুনা থম্মু। Refrigerator নচিংবা অঙ্গংবা মফমদা থম্মু অদুগা মন্নংদা হাপত্রিঙৈদা অচা-অথক শিং মখুম শোইদনা কুপশিনগদবনি। Washing machine নচিংবা শিজিন্নবদা মতীক চানা load তৌরবা মতমদা খকতদা শিজিননবা ইমা-ইপাদা হায়গদবনি। ইরুজবদা ঈশিং অশাবা চাং খল্লা শিজিন্নৌ অমদি leak ওইবা পাইপনচিংবা মেনশিনদুনা থম্মু। থোংবা-থাকপদা Microwave শিজিন্নবনস্থ ঈনর্জী কনবদা মতেং ওইবা ঙম্মী।

নখোয়গী Garden দাঃ উ-ৱা হেন্না থাদুনা য়ুম্থু ইংনবগীদমক থোংনাউ অমদি ফকলাংনচিংববু  উরুম লাংহল্লু। সেবা য়াম্না চংদবা নত্রগা ঈশিং কা-হেন্না দরকার ওইদবা পাম্বীশিং থাউ।

Q91. Which of the following doesn’t help to save energy?
মখাদা পীরিবশিংশিদা ঈনর্জী কনবদা মতেং ওইদবগে?

a) Use of Compact Fluorescent bulb (CFL)
(Compact Fluorescent bulb (CFL) শিজিন্নবা)
b) Cooking using a microwave
(Microwave শিজিন্নদুনা থোং-থাকপা তৌবা)
c) Keeping computers off when not in use
(Computer শিং শিজিন্নদবা মতমদা মুথৎতুনা)
d) None of the above
(মথক্কীশিংশি অমত্তা নত্তে)

Q92. Which of the following is incorrect?
মখাদা পীরিবা অশিদা অরানবা করম্বনো?

a) If you water the plant more than it needs it dies. (পাম্বীদা দরকার ওইবদগী হেন্না ঈশিং চাইশিল্লবদি মদু শিখিগনি।)
b) More greenhouse gasses are good for us.
(greenhouse গ্যাশ য়ামখৎলকপশি ঐখোয়গী অফবনি।)
c) If you save electricity you can save money also. (ইলেক্ট্রিসিটি কনলবদি পৈশাস্থ কনবা ঙমগনি।)
d) More plants in the garden cool your home.
(Garden দা উ-ৱা হেন্না লৈবনা য়ুম্থু ইংহল্লি।)

Q93. Which of the following gas is not a primary greenhouse gas?
মখাদা পীরিবা অসিদা primary greenhouse গ্যাশ নত্তবা অদু করম্বনো?

a) Carbon monoxide
b) Methane
c) Ozone
d) Water vapor (ঈশিং মনিল)

Q94. Through the passage Author want you
ৱারেংশিবু শিজিন্নরগা অইবনা নখোয়বু করি তৌহনবা পাম্বগে

a) Not to use TV, Washing machine etc.
(TV, Washing machine নচিংবা শিজিন্নদবা।)
b) To do our bit to save energy
(ঈনর্জী কন্নবগীদমক ঐখোয়না অঙম্বা তৌবা।)
c) To help burn fossil fuels
(fossil fuel শিংবু মৈ থাবদা মতেং পাংবা।)
d) To be a scientist
(বৈগ্যানিক অমা ওইবা।)

Q95. Scientists are calling help from all to combat
বৈগ্যানিকশিংনা করিবু থেংননবীদমক্তা মীপুম খুদিংমক্তগী মতেং নিরিবনো

a) Green house gases (Green House গ্যাশ)
b) Earth's temperature (পৃথিবিগী মৈশা)
c) Global warming (গ্লোবেল ৱারমিং)
d) Plant death (পাম্বী শিথরকপা)

**Passage 2:**

Article 343 of the Constitution and the Official Languages Act say that the official language of the Indian Union will be Hindi. However, the attempt to adopt Hindi as the official language was strongly opposed by several non-Hindi speaking states, especially Tamil Nadu, which erupted in violent protests leading to a compromise in allowing the use of English also for official purposes. Thus, the Constitution and the act allowed English to be used for transaction of business in Parliament, by Centre and states and for certain purposes in high courts for 15 years. It is argued that while Hindi is the official language it was never given the status of national language, as India, being a multilingual country, has no single national language. Article 351 says it is the duty of the Indian Union to promote the spread of Hindi language, so that it may serve as a medium of expression for all the elements of the composite culture of India, never using the term national language to refer to Hindi.

The Constitution listed fourteen languages — Assamese, Bengali, Gujarati, Hindi, Kannada, Kashmiri, Malayalam, Marathi, Oriya, Punjabi, Sanskrit, Tamil, Telugu, and Urdu — in Eighth Schedule, in 1950. Since then, the list has been expanded thrice, once to include Sindhi, second time to include Konkani, Manipuri and Nepali and yet again to add four more languages — Bodo, Santhali, Maithili and Dogri — bringing total to 22 scheduled languages.

The three-language formula recommends the study of a modern Indian language, preferably a south Indian language, apart from Hindi and English in Hindi-speaking states and the study of the regional language along with Hindi and English in non-Hindi speaking states.

*Source:*http://timesofindia.indiatimes.com/india/Learning-with-the-Times

সংবিধানগী ৩৪৩ শুবা article অমসুং Official languages act না হিন্দি লোনবু ভারত লৈবাক্কী official language নি হায়। তৌইমসুং হিন্দি ঙাংদবা রাজ্য কয়ামরুমনা হিন্দি বু official language ওইনা লৈহনবগী অকনবা মায়োক্তা লৈ, মরুওইনা Tamil Nadu, অদুগুম্বা মখোয়গী অকনবা ঈহৌ অমনা English পুশু office কী ওইবা মরমশিংদা শিজিন্নবা য়াহনখি। অম্মম তৌনা সংবিধান অমদি act অদুনা english পু parliament, center অমসুং রাজ্যশিংদা চে-চাং পাও ফাওদোক-ফাওজিন অমদি high court কী অখন্নবা হীরম খরদা চহি ১৫ গী ওইনা শিজিন্নবা য়াহনখি। ভারত লোন কয়ামরুম হায়-ঙাঙনবা লৈবাক ওইবনা national গী ওইনা লোন অমখক্তা লৈতবনা মরম ওইদুনা হিন্দি অশি official language ওইজরবশু লৈবাক পুম্বগী লোন অমা ওইবগী থাক য়ৌদে হায়বা ৱাফম লাকই। ৩৫১ শুবা article গী মতুংইন্না ভারত পুম্বনা হিন্দি লোনবু national language নি হায়বা ৱাফম অদু শিজিন্নদনা হিন্দি লোনবু লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম অমদি শংস্কার উৎথোকপদা শিজিননবা মচাক ওইনা শৌগৎপা মথৌ তাই।

সংবিধান না ইং শক ১৯৫০ দা লোন ১৪ – Assamese, Bengali, Gujarati, Hindi, Kannada, Kashmiri, Malayalam, Marathi, Oriya, Punjabi, Sanskrit, Tamil, Telugu অমসুং Urdu বু ৮ শুবা schedule দা চলহল্লি। মতম অদুদগী লোনগী মশিংদা, অহানবদা sindhi বু হাপচিন্দুনা অনিশুবদা Manipuri, Konkani অমসুং Nepali হাপচিন্দুনা অদুগা অমুকম্ Bodo, Santhali, Maithili অমসুং Dogri বু হাপচিন্দুনা অহুমলক চাউখোক্তুনা অপুনবা schedule লোন ২২ শুরে।

লোন অহুমগী formula না হিন্দি ঙাঙ্বা জগাশিংদা English অমসুং হিন্দি গী মথক্তা ভারতকী অনৌবা লোনশিং মরুওইনা খা থংবা ভারতা ঙাঙনবা লোন তম্বী-তাকপীবা অদুগা হিন্দি না মপুং ওইনা ঙাঙনদবা জগাশিংদনা হিন্দি অমসুং english কা লোইননা মখোয়গী লম লমগী লোন তম্বী-তাকপীনবা হায়রি।

Q96. Which state opposed strongly Hindi to be an official language?
করম্বা রাজ্যনা হিন্দি বু official language ওইনা লৈহনবগী অকনবা মায়োক্তা লৈখিবগে?

a) Manipur
b) Tamil Nadu
c) Maharashtra
d) Nagaland

Q97. Which of the following is not an eighth schedule language in 1950?
মখাদা পীরিবা অসিদা ইংশক ১৯৫০ দা schedule লোন ওইদবা অদু করম্বনো?

a) Telugu
b) Sanskrit
c) Konkani
d) Oriya

Q98. State the incorrect sentence.
অরানবা অদু খল্লু

a) Manipuri is included in eighth schedule.
(Manipuri অসি নিপালম্বা schedule দা চল্লি।)
b) English is allowed to use for official purposes.
(Office কী হীরম-করমদা english শিজিন্নবা য়াই।)
c) Article 351 say Hindi is a national language.
(Article ৩৫১ না হিন্দি অসি জাতিগী ওইবা লোননি হায়।)
d) There was originally only 14 schedule languages
(অহানবদা schedule লোন ১৪ খক্তমক লৈরম্মী।)

Q99. Three-language formula recommends the study of which of the following.
লোন অহুমগী formula না করি তাকপী-তম্বীনবা হায়বগে

a) English and Hindi along with a regional language. (হিন্দি অমসুং english কা লোইননা লম লমগী লোন)
b) Hindi or English along with a Modern Indian language. (হিন্দি নত্রগা english কা লোইননা ভারতকী অনৌবা লোন।)
c) English and Hindi along with South Indian language. (english অমসুং হিন্দি গা লোইননা খা ভারতকী লোন অমা)
d) Hindi or English along with a regional language. (হিন্দি নত্রগা english কা লোইননা লম লমগী লোন)

Q100. From the passage we can infer that
ৱারেংশিদগী ঐখোয়না করি খঙবা ঙম্মী

a) Total 22 languages are spoken in India.
(ভারত্তা পুন্না লোন ২২ ঙাঙনৈ।)
b) Constitution has two articles.
(সংবিধানগী article অনি লৈ।)
c) Eighth schedule can be expanded.
(নিপালম্বা schedule চাওখোকপা য়াই।)
d) High courts use only English.
(High court শিংনা english খক্তমক শিজিন্নৈ।)